হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, সেপ্টেম্বর ০১, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৫৩ শুবা মশীং

# মণিপুরদা পোলিটিকেল দ্রামা

## *থেংলবসু ওপোজিসনগী থৌদাং লৌরকপা উরে*

দিমোক্রেসিদা ওপোজিসনগী থৌদাং য়াম্না চাউই। কনাগুম্বা অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরকপদা ওপোজিসন হায়বসি য়াংনা চেল্লিবা গাড়ী অমগী ব্রেকনি হায়নৈ। লৈঙাকপশিংনা তৌনিংবতা তৌরকপা, মীয়ামগী য়েংদবা মতমদুদা ওপোজিসনগী থৌদাংসি অদুক্কী মতীক চাউই। কনাগুম্বা খরনা মখোয়বু লো শেন্বা খক্তনি হায়না হায়জরবসু লেজিসলেটিব এসেমব্লি অমসুং মসিগী মপানদা তঙাইমক ফদনা তৌদবা য়াদবা থৌদাং কয়ামরুম লৈ। দিমোক্রেসি হায়বসি মীয়াম য়াওদবা য়াদে। মীয়ামগী মহুৎ শিল্লিবা লো শেন্বশিংনা মীয়ামদগী নাথৈদুনা চৎলবদি মখোয় অদু লৈবাকসিগী দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনরবনি। ভারতিয়া জনতা পার্টিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন অমসুং এম এল এ থোঙাম বিশ্বজিৎ জুদিসিএল রিমান্দগীদমক চীফ জুদিসিএল মেজিস্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকপদা এম এল এ অনীনা মখোয়দা শীরিবা মরাল অদু য়ানিংদে হায়দুনা খজিক্তং খোল কল্লকপদা মেজিস্ট্রেট অদুনা ঈংনা, মহাক্লা থবক তৌরিবসি ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা এম এল এশিং অদুনা শেন্বীরকপা লো অদুনি হায়না ফোঙদোরকপদা এম এল এ অনীদু খোল কনবা ঙমখিদে। কয়াদা ফজখ্রবা দিমোক্রেসিগী মচৎনো। মতম শাংনা মণিপুরদা ওপোজিসন লৈতবদৌনা তৌরে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরকপসি কুইরবনি। চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবশিংনা ওপোজিসননা নপচরগা থবক তৌবদৌনা তৌবদা নোক্লবফাওবা য়াওখ্রবনি। এসেমব্লিগী মীফম মনুংদসু, মপান্দসু নহানমখৈদি কোংগ্রেসকা চৎমিন্নবদৌনা লৈবাক্কী অরুবা ইস্যুশিংদা ওপোজিসন পার্টিশিং থৱায় য়াওবদৌনা উনরমই। অদুবু সোসল ইস্যু অমা ওইরিবা কুমজা ২০১৩ বেজগী মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০০০ লৌবগী দি পি সী ককপগী মতাং অসিদদি বি জে পি মপাঙ্গল ফূদোরকপা উরে। পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ অমসুং এম এল এ অনীনা লুচিংদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদু ষ্টেট অসিদা অহানবা পোলিটিকেল দ্রামাদৌনা উহনবা ঙল্লে।

বি জে পিনা চঙশিনখিবা খোঙজং অসি মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলগীদমক পো কাংবা হৌবনি হায়রবসু থোইনা কায়দে। লুরিবদি ইমুং লিশিং ১০ গী মীওই লিশিং ৫০ রোমদা শোকহনবা দি পি সী অসিগীদমক চহী নৌরিবা কেন্দিদেটশিংদা নখোয়না থোকপা তৌরো হায়না থাদোকপা হায়বসি অচুম্বা ওইরোই। হৌজিক্তি ইস্যু অসি বি জে পিনা কেন্দিদেটশিংদগী পায়শিনবা হৌরবনিনা অফবা মায়কৈ অমরোমদা লাকহন্ননবা থৌরাং তৌবীরো। মদু নত্তনা করিসু খঙদ্রিবা, নিংবা কায়রবা মীওই লিশিং ১০ বু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবদি তৌবীগনু। মখোয়গী মনুংদা খরদি পোষ্ট অসিগীদমক লৌরি-য়ুম্ফম য়োনবা য়াওনখ্রবনি, লৈরম্বা লন-থুমসু কায়বা য়াওনখ্রবনি। হান্না মপাল ফনা লৈরম্বা ইমুংসু মুৎপা য়াবগী ফীভমদা লৈরবনি, য়ুম কায়নবা ফাওবা য়াওরবনি। মখোয়দি অরানবা অমত্তা তৌখিদে। খুন্নাইসিনা অমসুং লৈঙাকসিনা মখোয়বু অরানবা তাহনবদি চুল্লোই। মখোয় মশেলগী ওইবা চাকথুং মুন্নবগী ৱাথোক্তা কেন্দিদেটশিংবু অৱাবা পীবা হায়বসি মখোয়বু নমথবীবনি হায়না লৌরবসু য়াই। লৈঙাক্লা তৌনিং-তৌনিংবতা তৌরিবসি থিংননবা মীয়াম্না মতম কয়াগী মমাঙদগী ওপোজিসন কাঙবুদা মিৎয়েং থল্লকপদু হৌজিক্তি থেংলবসু থেংনা মমি খরদি তম্বা হৌরক্লে। মখোয়গী ফজরবা প্রোটেষ্ট অমসুং মখোয়গী অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোননা মীয়ামবু মখোয়গী তুং ইলহনবা ঙল্লবতদা বি জে পিগী মপাঙ্গল শাগৎপা ঙমগনি। অমরোমদা দিমোক্রেসিগী মতীক ময়াইসু হেনগৎহনগনি। মীয়ামসু তংদু-লৈতানা হিংবা ঙমগনি। নহানমখৈ মীয়ামনা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবসিদি দিমোক্রেসিগী মখোঙ অহুমগী মনুংদা শোথবা অমা য়াওরকপদগীনি হায়বসি পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্লা খঙবীবা মথৌ তাই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি দি পি সী ককপীখ্রবা কুমজা ২০১৩ গী পুলিস কন্সটেবল (মেল) লৌবগী দি পি সীদা শরুক য়াখিবশিংনা লম্বী লমজাউদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবগী মহুত্তা মখোয়গী রাইট ফংহন্ননবগীদমক বি জে পিনা থৌদাং লৌবীরগা কেন্দিদেটশিং অদুনা মখোয়গী মতুং ইল্লগা পুন্না থবক তৌমিন্নরবদি কেন্দিদেটশিংগী ওইনা অফবা মায়কৈ অমদা লাকপা ঙমগনি অমসুং নৌনা পাঙথোক্লিবা দি পি সী অসিসু থিংবা ঙমগনি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## দিষ্ট্রিক্ট মরিখক্তগীদি পীথোকপীরো!


*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**দিষ্ট্রিক্ট** মাপন্না শেন্বা ইরমদম মণিপুর অসিদা মীতোপ-মীয়ানচা খন্দোকপগী (আই এল পি এস) দিমান্দ মতম কুইনদগী তান্দুনা লাকপদা দাবী ফংবগী মহুত্তা মীশি-মীনা কয়া থোকখ্রে। ঈহৌগী খোঙজংলোই কয়া লাকশিন্নবা হোৎনবদা শেল চঙনা লৈশিল্লগা থম্বা তাংলবা নোংমৈ মরু কয়া, মোব বোম কয়া, টিয়ার গ্যাস কয়া অরেম্বদা চাদিং তৌহল্লে। মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌরিবা পাক্লা লম্বী কয়া খুদোংথিবা থাক্তা লৈহল্লে। মীয়ামগী লন-থুম কয়া তাঙ্গোই তানা মাঙহনখ্রে। খোঙজংলোই মহৈরোয় অমসু ইকুই কুইদনা শিখ্রে, মীচম মীয়াম কয়া অশোক অপন নংহনখ্রে। আই এল পি এসকী খোঙজংলোই ঈহৌগী লুচিংবা অমবুনা ৱান্টেদ লাউথোক্তুনা কোইতান তান্নবীবা, ফারগা অমুকসু জেলদা থমজিন্দুনা লৈঙাক্কী চাদিং হেন্না চৎহনবা অসি অচুম্বা ৱায়েল বিচার নত্তে হায়জনীংই। লমদমসিদগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ মরু ফংনা মুখৎপগী দাবিদা ইরোম চনু শর্মিলানা চহী ১৬ রোম চরা হেন্দুনা খাঙলকপদা দিষ্ট্রিক্ট মাপনমক লৌথোকপা ঙমদ্রবসু ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎ হায়বদি থাংমৈবন্দ কেন্দ্র, য়াইস্কুল কেন্দ্র, ৱাংখৈ কেন্দ্র, উরিপোক কেন্দ্র, শিংজমৈ কেন্দ্র, শগোলবন্দ কেন্দ্রনচিংবদদি হায়রিবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ অসি লৌথোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মাপনমক্তা য়েৎনদুনা চৎনহনবা ঙমদ্রবসু অহানবা তাঙ্ককী ওইনা সেক্সন খুদিংমক্কী মীয়াম্না য়ানরবা দিষ্ট্রিক্ট মরিখক্তগী ওইনা আই এল পি এসকী বিল অসি পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা ওন্থোকপীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - চাৱাল খাইদেম*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১। 'চেরৈ' ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবা কনানো ?
২। 'মমিগী মমি' শৈরেংগী লাইরিকসি কবি কনানা ইরম্বনো?
৩। 'কেক্টস মানবী' ৱারীমচা ইবী অইবীদু কনানো?
৪। 'কায়রবা ঈশিং পুন' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১। 'হজ্জ' উপন্যাস অসিগী অইবদু কনানো?ঃ- *পাচা মৈতৈ*
২। ''বুদ্ধিগী ৱাসিদি/ভাব তাদ্রে ঐখোয়দি/হৌজিক হায়বসিবু কৈদৌঙৈনো।'' কবি কনানা হায়বনো? ঃ- *রাজকুমার ভুবনস্না*
৩। 'অমংবা নোংলক্কী নোংথাং' ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো? ঃ- *সত্যবতী নিংঙোম্বম*
৪। 'মচোই তারবা তাইবঙ' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? ঃ- *এম মনি মৈতৈ*
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞ ঃ- *লৈতান্থেম রামসিংহ*



# নেসনল স্পোর্টস দে কৈদৌনরুগদগে?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**শান্নবগী** নুমিৎ অমদি শান্নরোয়গী নুমিৎ! অনী অসি করিদা খেন্নবগে? শান্নরোয় লৈতনা শান্নবা লৈগদ্রা? নৎত্রগা 'শান্নবা' লৈরম্বনা শান্নরোয় থোক্লকপা তারোইদ্রা? মীৎয়েং তোঙানবদগী ৱাহায় তোঙানবগী ৱানি অনীমক অমত্তনি। 'শান্নবা' শান্নরোয়না শেন্বনি, 'শান্নরোয়' শান্নবনা শেন্বনি। ওইনীংবদু ওইরসনু, ইন্দিয়াদবু শান্নবগী হীরমদা ৱারী শানবা নৎত্রগা ৱা খন্নবা কান্নগদ্রা? ঐদি থাজদে। থম্মোয় শেংনা হায়রবদা, ফনা সিরিয়স ওইনা খন্নরবসু, ইন্দিয়াদা 'শান্নবা' (স্পোর্টস) হায়বা হীরমসিগী দিসকসন, পোজিটিব রিজল্ট শুকফং ফংলোই। ক্রিকেট নত্তবা স্পোর্টস ইভেন্ট অমতবু শান্নবগী প্রোফেসন অমা ওইনা খনবা ঙমদবা মীয়ামনি। অসিগুম্বা লমসিদা 'শান্নবগী নুমিৎ' (স্পোর্টস দে) পালন তৌবা কানববু করিনো? কানদবা থবক্তি তৌবা হৌনদবনি।

ওগষ্ট ২৯, হোকিগী লাইপোক্নি খন্নরম্বা ইন্দিয়ন হোকি শান্নরোয় 'ধ্যান চান্দ' গী মপোক নুমিৎ অসিবু কুমজা ২০১২ দগী 'নেসনল স্পোর্টস দে' হায়না পাঙথোকপা হৌরকখি। চিলদ্রেন্স দে, ভেলেন্টাইন্স দেনচিংবা নুমিৎশিংদি কৈদৌঙৈ করিগী পাঙথোক্লিবনো হায়বা পূম্নমক্লা খঙই। অদুবু 'নেসনল স্পোর্টস দে' হায়বা অমা লৈ হায়বদি কনানসু খঙনদে। মীচম মীয়ামগী ৱাদি তোকখ্রো, ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অয়াম্বনসু খঙদে। মেজর ধ্যান চান্দ কৌবা অচৌবা শান্নরোয়দুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা, নুমিৎসিবু মাগী মিংদা কথোকপা অমদি অর্জুন এৱার্দ, দ্রোনাচার্য এৱার্দ, রজিব গান্ধী খেল রত্না অমদি ধ্যান চান্দ এৱার্দনচিংবা য়েন্থোকপা নত্তনা লৈবাক শিনবা থুংনা 'শানবগীদমক কথোক্লবা নুমিৎনি' হায়বসি খঙহন্নবা থবক থৌরাং অমত্তসু পায়খত্তে। ধ্যান চান্দগী মমিংদা পীরিবা শান্নবগী লমদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্দ, শান্নরোয় অমগী মফমদা পীবা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ (ধ্যান চান্দ এৱার্দ) অসিদি কুমজা ২০০২ দগী পীবা হৌখ্রবনি।

হন্দক, মঙারকশুবা পাঙথোকপা 'নেসনল স্পোর্টস দে' অসিদসু হান্নদগী চথরকপা থৌরমদুগী মওং মতৌ থৌওংদুদগী থোইদোক হেন্দোকপা অতৈ করিবু তৌখিবগে? মালেমগী শান্নবুংদা চাউখ্রবা লৈবাকসিবু য়োল্লবদা লৈবাক্কী ইকায়খুম্নবা কনখিবী ওলেম্পিক মেদলিষ্ট অনী অমদি মরিশুবা মফম কনখিবী জিম্নাষ্ট, শান্নরোয় অহুমদা খেল রত্না খংপী পীশিনখিবদু শান্নরোয়দা পীবা সরপ্রাইজ 'গিফ্ট' নি হায়দৌরিব্রা? কুমজা ২০২২ দা ইন্দিয়াবু 'চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মঙ মঙলিবা 'মোদি' না '২০২০ ওলেম্পিক' তা মেদল তরাখক পুরকপা ঙম্নবা 'মীত্রংগী চৈশু' অমত্তং পুথোক্লবা শান্নবগী নুমিৎতা ৱাশক শকখিদ্রিবা করিগীনো? ওগষ্ট থাগী মাগী 'পূক্নিংগী ৱা' (মন কি বাত) ফোঙদোকপদসু শান্নরোয় 'ৱাখলগী দোলাই অপাইবী' তোংবা য়াবা ৱাহৈ অমত্তসু য়াওখিদে। চহী চাম-তরাতরুক্কী (১৯০০ দগী) ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক্কী খোঙচৎতা ফংলকখিবা অপূনবা মেদল মশীংগা (২৮) অমেরিকাগী মাইকেল ফেলপস মথন্তনা ফংখিবা মেদল মশীংগা (২৮) চপ মান্নে। মেদলগী পোইন্ট ভেল্যুদা য়েংলবদি মাইকেল ফেলপসকীসিগী আ মমৈদনি ইন্দিয়া। ফেলপসনা গোল্ড ২৩, শিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ২ ফংখিবদনা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৯, শিলভর ৮, ব্রোঞ্জ ১১ ফংখি। মাইকেল ফেলপস ইন্দিয়াদা পোকপা ওইরম্মু, মহাক করি ওইরমনি। ব্রোঞ্জ মেদল অমখক ফংলকপা এথলেট ফাওবা ক্রোরপতি ওইহল্লিবা ইন্দিয়ানি। মাইকেল ফেলপসতি তোকখ্রসি, উসেন বোল্টকুম্বা অমত্তংবু থোরক্লল্লবা ক্রিকেট নত্তবা অতৈ শান্নবুংশিংদসু শেলগী নোং চুরমনি। অদুবু লৈঙাকপগী মীনুংশিনা চলাইবা য়ুথ এফ্যোর্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা শান্নরোয়শিং লৈরিমখৈদি অফবা শান্নরোয় থোরক্লোই। মিনিষ্ট্রিসিতগী ৱা নত্তে, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াসু অদু মঙায়, ইন্টরনেসনল ক্লাসকী শান্নরোয় পুথোকপনা পান্দম নত্তে। দিপার্টমেন্টসিদা থবক তৌরিবশিংদগী শান্নরোয়শিংগী কোচ ত্রেনরফাওবা প্রোফেসনেল ইথিক্সতুদগী ব্যুরোক্রেটিক এত্তিচ্যুদ অদু ঙাকপনা হেন্না পামজবনি। ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টতা মেদল লৌবা ঙম্নবা ত্রেনিং পীবৈ মহুৎতা ফোরেন সিটি অমদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী কোচ/মেনেজর ওইনা চৎচগে ৱানোম্নরিবা লমদমনি। মখোয়দুদি তোকখ্রসি, স্পোর্টস মিনিষ্টর মশাফাও ওলেম্পিক ভেন্যুদা চৎলগা প্লেয়রশিংগা (ঐখোয়গী প্লেয়র নত্তবা) ফোটো নম্মীন্নবা ফংবদা ঙাওজরিবনি। অতোপ্পা লমদগী লাকপা প্লেয়র দেলিগেটশিংগী মমাঙদা ইকায়বা পোক্তবজাৎলা মখোয়বো? ঐখোয়গী মরাথোন রন্নরদুনা পন্থুং য়ৌবদা ৱান্থখিবা, ইন্দিয়ান অমত্তা লৈরমদবা, লমথাফমদগী পন্থুং ফাওবৈ লম্বী চিদাইদা লৈবা ইন্দিয়ন পেভিলনশিং পুমহাং হাংখিবা - মরাথোন টিম ওফিসলশিং রিওদা কৈদৌবা চৎখিবনো? শক্লাইরবী অইবী 'সোত্তা দে' না ত্বিত্তরদা ইরকখিবা ... ইন্দিয়ান ওলেম্পিক্তা য়াওবগী পান্দম : রিও চৎপা, ফোটো সেসন তৌরুবা, ইখূৎ হাংনা হল্লকপা... শেল অমদি মতম মাঙহনবা-' হায়বা ৱাফম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়ানা থম্মোয় শোক্লা নিন্দা তৌরকখি। চহী তরা কুনসু নত্তবা, নীংতম্বা লৈবাক ওইর'তুং চহী হুমফুমাপল হৌখ্র'ফাও মালেমগী শান্নবুংদা মখোয়বু অসি য়ৌনা ইকায় ফিরুক খুম্বা থাক অসিদা থম্বীরিবসি কনাননো অমদি করিননো হায়বদুদি নোংমতসু খন্থদে, নোংমতা মচীন কাঙলক্তে। লৈতোন শরু পান্দবা লৈঙাকপগী ৱাহায় অমদা পঙথদুনা লৈরক্লি, লৈরি, লৈখিগনি।

নেসনল লেভেল্ল ফঙ্কসন অমা লাকপদা 'অনৌবা প্রোগ্রাম, অনৌবা স্কিম অমা লাউথোক্লনবা মোদি'না নেসনল স্পোর্টস দে লাকপদা ৱাহৈ পরেং অমদগী হেন্না হায়খিদে... 'লৈপাক্কী ওইবা শান্নবগী নুমিৎ' না লাকপদা, লৈপাকসিদা লৈরিবা শান্নরোয় অমদি শান্নববু নুংশিবীবা মীওই খুদিংমক্কী মফমদা হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি অমদি পূক্নিংসিনা চেৎনা থাজে অমদি আশা তৌজে মদুদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা শান্নবা অমদি শান্নবগী মতিং লৈবা মীওই খুদিংমক মঙাল নাইনা হিংগনি' (On National Sports Day I congratulate all sports lovers across India and hope sports and sports lovers will always shine in our Society)

স্পোর্টস দেনা ইকায় খুম্নরিবা 'ধ্যান সিংহ' বু অমুক্তং নীংশিংসি। কুমজা ১৯০৫, ওগষ্ট ২৯ দা এল্লাহামাদ'তা পোকখিবা 'ধ্যান সিংহ' মশাগী চহী ১৬ শুবদা ইন্দিয়ন আর্মিদা সিফাই অমা ওইনা চঙখি। অদুবু মাগী অহানবা গুরু অমদি লমজিং মৈরা 'সুবেদার মেজোর বলে তিৱারি' না মহাক্কী 'হোকীবু পামজবা অমদি হৈশিংবা' অদু মশক খঙবীদুনা মশান্না অসিদা পুশিনবীরমখি। পঙ্কজ গুপ্তা কৌবা কোচ অমগী মখাদা হোকি বোল চেন্দুনা পুবা অমদি গোল চনবগী টেক্নিক তম্লকখি। মহাক্লা লান্মী অমা ওইনা ওইনা হোকি শান্নবগী কলা অসি নুমিদাংগী মতম, 'থাবল' দা শান্নদুনা তম্লকখি হায়বগীদমক মহাকপু ধ্যান সিংহ হায়বা মমিংদুগী মহুত্তা 'ধ্যান চান্দ' হায়না খঙনরকখি। কুমজা ১৯২৮, ১৯৩২, ১৯৩৬, ১৯৪৮, ১৯৫২ অমদি ১৯৫৬ তা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিকশিংদা থংনা থংননা, মহাক্কী লীচিং মখাদা ইন্দিয়াবু 'হোকিগী সনাগী মেদল' ফংহনখি। অসিগুম্বা অচৌবা শান্নরোয় অমা নীংশিংববু, ঙসি 'নেসনল স্পোর্টস দে' পাঙথোকপগী থবক থৌওং অসিনা মতিক চারবরা? ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক পার্ফোমেন্স ফগৎলকপগী মহুৎ মরায় চায়থরকপা অসিনা তাকই - ইন্দিয়ন স্পোর্টস, ইন্দিয়ন পোলিটিক্সতগী লাপথোকহনগদবনি।

নেসনল স্পোর্টস দেগী ৱারী নীংশিংলুরগা, ঐখোয় ইশাগী, ইন্দিয়ন স্পোর্টসকী ষ্টোর হাউস অসিগী 'শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ' ফেব্রুৱারি তারিখ ২৫, ইন্দিয়াগী নেসনল গেমস'কী ষ্টেটশিংগী মেদল টেল্লি' দা মণিপুরনা মকোক ওইদুনা 'রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ত্রোফি' লৌখিবা নুমিৎ অদু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা ষ্টেট ফঙ্কসন অদু নীংশিংদবা ঙল্লক্তে। ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমস অদুদা মণিপুরনা মকোক ওইখিবদুনা মণিপুরগী শান্নরোয়গী মতিং মপান্দা শক্তাকখিবতা নত্তনা মণিপুরগী মীয়ামদা শান্নববু ইনখৎনবগী অকন্নবা ইথিল অমা পীখিবনি। মদুগী তুংদা 'শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ', মণিপুরগী শান্নবগী তাইবঙদা য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ ওইরগনি খন্নখি। অদুবু শান্নরোয় মশা মশানা এসোসিএশনশিংগা খূৎশম্নরগা শরুক য়ারুবা নেসনল, এসিয়ন, কম্মনৱেলথ অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াগী ভেল্যু লেপ্পগা শেলগী ইন্সেন্টিব পীবা নত্তনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্তুনা, মতুং তবা নেসনল, ইন্টরনেসনল গেমস কয়াদা মাঙজিন থানা চৎখৎনবগী থৌরাং থৌশিল অমত্তা য়াৎলক্তবনা নেসনল গেমসকী মেদল টেবলদা তপ্পা তপ্পা মখাদা কুমথরক্লি, শন্তোস ত্রোফিগী মপু ওইরম্বদুনা ক্বালিফাই ওইবফাও ঙল্লক্ত্রি। অফ অফবা শান্নরোয়শিং ময়ূম ষ্টেট থাদোক্তুনা অতোপ্পা ষ্টেট'তা চৎনখ্রি। ওলেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয়শিং, ইন্টরনেসনল প্লেয়র অমদি শক্লাইরবা কোচ অমত্তনা মচাবু শান্নবুংদা পুশিন্নিংলক্ত্রি, ডাক্তর-ইঞ্জিনিয়র, আই এ এস, মন্ত্রি অমত্তনা মাগী মচা মশুশিং শান্নবুংদা পুশিন্নিংদে, শান্নরোয় অমত্তা ওইহন্নিংদে। নৈনবা য়াই, করিগীনো? কনানসু ককপা ঙমলোইদবা মরম অমা লৈ। শান্নরোয়শিংগী য়াইফনবা মমায় হায়গৎনা মীমান্ননা হিংবা ঙম্নবা থৌশিল অমত্তসু য়াৎলমখিদে মখোয়না, ওলেম্পিক্কী কৈরাক্তু কাবা ঙম্নবা, মশাবু শেম শাজনবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অমত্তসু তৌরমদে। মখোয় খঙই, শান্নবুংদা চঙলুরবা পুন্সি লম্মুক্লগনি।

# অরিবম শ্যাম শর্ম্মা রেট্রোসপেক্টিব - ১


**সোরোক নোরেন**

**পুন্সিগী** খ্বাইদগী নুঙাইবা মীকুপশিংগী মনুংদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মা রেট্রোসপেক্টিবকী থৌরম য়াওবা ফংলুবসিমকসু অমনি হায়না লৌজরগা কৈথেল নংনবা পাউদম খরদং থমজরি। বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কম্যুনিতি সেন্টরদা ওগষ্টকী তাং ২৯ দগী সেপ্টেম্বরগী তাং ২ ফাওবা চথুগদবা নুমিৎ ৫ নিগী ওইবা মীফম অসি চীংলৈপাক সিনে ক্লব অমদি চীংখৈরাকপা আর্টস অনীনা পূন্না শিনমিন্নবনি। খজিক্তং থেংথনা তম্লম্বা য়াবনি অদুবু হরাউবা নুঙাইবা কয়ানা থুমহৎলগা নংহৌররোই মতাগুম তল্লিবসি খঙহন্নিংবনা হেনবননি। করিগীসু খঙহন্নিংলোই থৌরম অসিদি লমদমসিগী ওইনা থেংলবসু থেংনা য়াম্না মতিক চারবনি। অরিবম শ্যাম শর্ম্মা মীং অসিদং পনবদা মালেমগী মীপুম খুদিংনা খঙনরবসু ঐগী পীক্লিবা ইরমদমসিদা মাগী পুন্সি ৱারীদা অমদি মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারীদা মানা থম্বীরিবা কন্ত্রিব্যুসনগী মতাংদা নৈনবগী থৌরম পাঙথোকপদি হন্দক্কীসিনা অহানবনি হায়নীংই।

থৌরম অসিবু মপূং ফানা অমদি মায় পাক্লা শিনগনি হায়দুনা শিংনবা অমা য়াওনা চোংথোরক্লিবা বিষ্ণুপুর প্রোপরগী ইচিন ইনাওশিংবু অহানবদা ইশামক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। চীংলৈপাক সিনে ক্লব অমসুং চীংখৈরাকপা আর্টস অনী পুল্লগা শিনমিন্নবা চীংলেল্লবা থৌরম অসি অসুক্কী মতিক মমল য়ামখ্রে। মালেম পূম্বনা ফিল্মগী জগৎতা ফীদা চাউনা থাদুনা থল্লবসু মনুং হুৎনা খঙনবগীদমক ঐগী নৌরিবা নহারোলশিংদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মা কনানো হায়বা হঞ্জিন্না তাকপা অমদি মথৌ তারি। ৱাফমসিমক্লা মাঙওইনরগা পায়খৎলক্লিবা চাউরবা থৌরম অসিবু শিল্লিবা চীংলৈপাক সিনে ক্লব বিষ্ণুপুর ইচম চম্বা ওর্গেনাইজেসন অমদি ওইরোইদৌরি। অনৌবা ওইদুনা রেজিষ্ট্রার বোদি অমা নৎত্রবসু মশক নাইবা মীওই কুনখক্লা শেন্লগা হৌজিকমক্কীদি চাউরবা থৌরম অসি অহানবা ওইনা পাঙথোক্লি। অহানবা খূৎমাবা ওইরবসু অশোয়বা হায়বা পোৎশক অমত্তা লৈহনবা উদ্রি ঙসি ফাওবদি। মসিমক্লা তাক্লিবদি মপূং ফাবা ইরমদমসিগী সিনে ক্লব অমা হেনগৎলক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। হায়রিবা চীংলৈপাক সিনে ক্লব বিষ্ণুপুরগী মরু ওইবা মীওই খরদং অসি মীং ওইনা পল্লমদবা য়াদে খল্লগা থমজরি। সিনে ক্লব অসিগী মপূং ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইদি লৈঙাক্কী লোইশঙ অমদা মকোক ওইরম্বদগী পোথাবা কুইদ্রিবা মীওইনি, থৌবুরেলনি হায়না লুচিংলিবা মীওই এন সনাজাওবা কনভেনর ওইনা থৌ পুরি ক্লব অসিগী। মাগী লমজিং মখাদা শেমগৎলক্লিবা ক্লব অসিগী মখা থাবা মীওইশিং মুতুম ওপেন কো কনভেনর হায়রিবা মীওই অসিসু লমদম অসিদদি মাগী অচৌবা মফম হীরম খুদিংমক্তা কন্দুনা লাক্লিবা মীওইনি। অনীশুবা কো কনভেনর লৈঙাক্কী কোলেজ ওজা অমা ওইনা মহৈরোয় কয়াবু লমজিংবিরিবা লৈশাংথেম গোপাল পূম্নমক্তগী করিসু তাদ্রি। এক্তিব মেম্বর ওইনা অরুম্বা থৌদাং লৌরিবা দেবচান্দ মানা শোক্তবা মফম অমত্তা লৈত্রে। এক্তিব মেম্বরশিংগী মনুংদা খাইদেম রাজেন, ধিরেন শাদোকপম, অকি সোরোখাইবম, মঙলেম, রোনেন শাদোকপম অমদি ত্রেজরর ওইনা এম হেমচন্দ্র মখোয়শিং অসিনা হৌজিকমক্কী ওইনদি চীংলৈপাক সিনে ক্লব বিষ্ণুপুরগী অচংবা থৌমীশিং ওইরি।

করম্বা ৱাখলগী মায়ওন অমদা পুল্লুরবনো খঙদ্রে বিষ্ণুপুর চীংলৈপাক সিনে ক্লবনা অহানবা খূৎথাবদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মাদা তারুরিবা। য়াম্না মতিক চাই শ্যাম শর্ম্মাবু নৌহৌননা অখঙবা খঙদবা কয়াদা খঙহন উহনবিবা। লমদম অসিনা অচৌবা ইকায় খুম্নবা উৎপীরিবা শ্যাম শর্ম্মা উৎফম থোকপনি। থাগৎফম থোকপনি, হংহৌফম থোকপনি, লৌহৌফম থোকপনি। হৌরক্লিবা নহারোল কয়ানা শ্যাম শর্ম্মাগী খূৎ শোক্লবা ঙমগদৌবা নৎত্রে মসি খঙনা খঙহৌনবা, লৌহৌনবা হোৎনরিবা সিনে ক্লব বিষ্ণুপুরবু লমদমসিগী মিরোলনা কাউথোকপা য়ারোই। হৌগৎলক্লিবা নহারোল কয়াদা অপাম্বা পোকহন্দুনা অমদি মনুং হঞ্জিন্না খঙবা ঙম্নবগী পান্দম শেল্লিবা সিনে ক্লবসি পোকপদা ঙাইরবসু চাওদম থিন্দনবা হোৎনবগী মথৌদি তাগনি নীংই। ঈশৈ নোংমাই সিনেমা, দ্রামা পামদবা কনাবু লৈবগে। হায়রিবা পোৎশকসিনা পুংশুপ শুপ্পুনা য়োমশিল্লিবা শ্যাম শর্ম্মাগী পুন্সিবু খঙহৌ উহৌনবা হোৎনবসিবু মতিক চাদ্রবরনে। ঐ ইশাগী ওইনদি ফিল্মবু নত্তে ম্যুজিক কম্পোজর ওইননি ঐনা হেক ঙম্বমখৈ লাৎচরিবা থম্মোয়দা। *খোয়ুমগুম্না শকলোৎপা নোংথাংগুম্না চীকমাংবা...।* শাফবী ফিল্মগী ঈশৈসিবু কনাননো ফজদে, তানিংদে, লীমল্লে হায়গদৌরিবসে। ঈশৈ অসিগী শুর অসিবু কমদৌনা পুথোরকপনো হেক খল্লুবদা নুমিৎতুমা অদুম খঙহৌদ্রে। অশেংবনি শ্যাম শর্ম্মা ম্যুজিক কম্পোজর ওইনসু মাগী খুদুং ইন্দুনা ঙসি ফাওবা চৎলক্ত্রি মমাঙদসু লৈখিদ্রি তুংদসু লৈরক্কনি থাজদ্রি। মরমদি হৌজিক্কী অঙনবা মতমসিদা শক্লিবা ঈশৈ, পাল্লিবা শুর পুমতোপ তোপখ্রে। কয়ামবু কুইনা হিংগবা হৌজিকালগী ঈশৈশিং। ঙসিদগী চহী ৪০ গী মমাংদা শকখিবা অমদি পানখিবা শুরগী ঈশৈনি *খোয়ুমগুম্না শকলোৎপা নোংথাংগুম্না চীকমাংবা...।* হৌজিকসু ফমিন্নদুনা তামিন্নসি চহী ৭০ গী মীওইশিংগা অমদি চহী ২৫ গী মীওইশিংগা পূন্না। তামিন্নবা য়াদে, তাবা য়াদ্রে চুশিন্নদ্রে হায়বা ৱাহৈ অমত্তা থোরক্লোই। মরমদি ঈশৈ অসি লেংদনা ঈশৈ ওইদুনা লৈরি, লৈখিনি চহী চা কয়াসু। ঐখোয়না শেন্নহৌগদবদি ঈশৈ অসি মাঙখিদনবা শেন্নবগী মথৌ তাবদুনি চেকশিনগদবা।

রেট্রোসপেক্টিব শ্যাম শর্ম্মাগী নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা মীফম অমদি মাষ্টর ক্লাসশিং অসিনা লোইরকপদা অকূপ্পা মপাউ খরদি শোয়দনা উগনি। মীফম অসিদা দেলিগেট ৩৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা খোংফম চেৎলবা পরিং অসি য়াম্না চীং লেম্না চথুরি। মশামক্লা খূৎ পায়দুনা খঙহৌরসনু হৈহৌরসনু খন্দুনা লৌরিবা মাষ্টর ক্লাসশিং মীকুপ অমত্তা চোইথোক্লদ্রি। অমুক হন্না ফংলরোইদবা মমল য়াল্লবা ক্লাস অসি লৌবদা চোকথবা নাইবা পোকপীদনা তুংগী মীরোলদা তাকপীবগী তাঙলবা খুদোংচাবশিংবু ফংহনবিরিবা শ্যাম শর্ম্মাগী তৌবিমল লেম্না মাঙদবা ওইসনু। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় কয়া য়াওনা দেলিগেট ওইরিবা মীওইশিংগী থম্মোয় পাউদম অপেনবা ঙাক্তা ওইরি ঙসি ফাওবগীদি। শিল্লি লাংলিবা মীওইশিংগী থম্মোয়দসু হোৎনজমন মহয় য়াল্লে খল্লি। চাওনা মায় পাক্লে খল্লিবনিনা হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা হৌজিক্তগী শেম শাবা হৌরনি হায়দুনা এক্তিব মেম্বরশিংগী মরক্তগী লোন্না পাউদমলকপসু হৌরে। মহয় য়াল্লে মীফম লোইদ্রবসু অরিবম শ্যাম শর্ম্মা রেট্রোসপেক্টিব ২০১৬, বিষ্ণুপুর। ঐখোয়না হান্না উরম্বা খঙলম্বা শ্যাম শর্ম্মা অদুদগী হেন্না মশক থোক্লা লৈরম্বদা ইশাদা নুঙাইবগী ইথিলনা মপাল নাইদ্রে। অসিগুম্বা ইরমদমসিগী মপারি অমবু লমদমসিদা ঙান্থোইদুনা লৈহল্লন্নিবা তাইবঙ মপুবু থাগৎতবা ঙল্লোই। মীওইবা অমগী পুন্সিদা অসুক য়াম্বা গুনবু অমুক্তদা হাপ্পা য়াবরনে হংনিংলকই। শ্যাম শর্ম্মাগুম্বা কয়ানা লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইনা লৈরবদি করিগী ৱাথোক লান্থোক লৈরুনি। ঙসিদি তংদু লৈতাদ্রবা লমদম অমনি হায়রিবা মফমসিগী শারবা মৈশা মরক্তা ঙৈহাক্তা ওইরবসু পোথাদুনা শ্যাম শর্ম্মাগী পুন্সিদা ঙাউজবা ফংহনবিরিবা চীংলৈপাক সিনে ক্লব বিষ্ণুপুরবু অমুক্কসু হন্না থাগৎচরি।




অরোইবদা তমজরিবা পাউদম খরা অসিদি হৌবদা ঙাইরিবা মপানগী অঙনবা মপাউনি। মনুংগী লামায়দা অমম্বা কা মনুংদা অঙৌবা স্ক্রিন্দা করি উৎলিবা অমদি ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা ফিল্মগী মাষ্টর ক্লাস করম্না তৌরি দেলিগেট খুদিংমক্লা করম্না অঙৌবা স্ক্রিনগী মহাও লৌরি মথংগী হাপ্তাদা তমজরক্লবা খুদোংচাবদু লৌজগে ঙসিগীদি...।